# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-01-2026)**

**রিয়ারসেল (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী ফুল দ্রেস রিয়ারসেল হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা পাঙথোক্লগনি। কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবসকী পেরেড কম্মান্দরনা ৮ শুবা মনিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট-এন. মোধুনিমাইনা ওইগনি।

পেরেড অসি ঐতিহাসিক ওইরবা কংলা ফাওদুনা চৎলবা মতুং অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা লোয়শিনগনি।

গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগী য়েংলগা লম্বীগী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা লৈরে। অহোংবা অসি অয়ুক পুং ৬ মখায়দগী হৌরগা থৌরম লোয়দ্রিবা ফাওবা চৎনগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং মণিপুরগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-পেরেড চৎকদবা মরুওইবা মফমশিং ফাওদুনা চৎকদবা গাড়িশিং অতৈ মফমশিংদা থৈদুনা চৎহনগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ঙাইরাংপম অমসুং খোনকাখুল ভিলেজতগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে।

মনিপুর পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না খুৎলায়শিং অদু শেমদোক্লবা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, লোকেল মেট সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, মেগজিন মঙাগা লোয়ননা পিষ্টোল মঙা, ইয়ার পিষ্টোল অমা, গ্রেনেট অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ২০, হেন্দ সেট অমা, বুল্লেট প্রুব জেকেট অমা ফংখি।

নুমিৎ অসিমক্তদা নাব অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগনা চুরাচান্দপুর জিলাগী

সিংনাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা জোৌখোনুৱাম চীংশাং পরেংগী লম একর ১৫ রোমদা আইন কায়না থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি। সেনাপতি জিলাগী ফাইবুং পুলিস ষ্টেসনগী সিরোং চীংশাংগী লম একর ১০ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট বিভাগ অমদি ইগজ্‌কিটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি। মফম অদুদা শারম্বা খাঙপোকশঙ অহুমশুবা মৈ থাদুনা মাঙহনখি হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর পুলিসনা পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুম কয়ামরুম ফাগৎলে।

ফেরজোল জিলাগী জিরিবাম-তিপাইমুখ লম্বী পরিংদা মোবাইল ভেহিকল চেক পোষ্ট থমদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং অদু ফংখিবনি।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-লম্বী পরিং অদুদা লাকপা বোলেরো গাড়ি অমা খাম্বদা মদুদা তোংলকপা মীওইশিং গাড়ি অদু হুন্দোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং অদু গাড়ি অদুদা হাপ্তুনা পুরকপনি হায়রি।

**পিএমঃ** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৪৫ দা ঙসি ১৮ শুবা রোজগার মেলা পাঙথোক্কনি।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদা নৌনা থবক খল্লবা নহাশিংদা থবক চংবগী এপোইন্টমেন্ট লেট্টর লিশিং ৬১ হেন্না খুৎশিন্নগনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগনি। নৌনা খল্লবা কেন্দিদেটশিং অদু গৃহ মন্ত্রালয়, হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়, ফাইনান্সিয়েল সার্ভিস বিভাগ অমসুং হয়ার এদুকেসন বিভাগনচিংবা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় অমদি বিভাগশিংদা থবক তৌনবা খল্লবা কেন্দিদেটশিংনি। রোজগার মেলা অসি সরকারগী মরুওইবা থৌরাং

অমনি। মসিনা নহাশিংদা থবক পীনবা পান্দম থল্লি।

রোজগার মেলা অসি হেক হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মসিগী খুত্থাংদা থবক চংবগী লেট্টর লাখ ১১ হেন্না খুৎশিন্নখ্রে।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩০ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**রেলগাড়ি ঃ** নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার রেলৱেজনা দিমাপুরগী ধনশ্রী অমসুং কোহিমা-জ্বজা অনৌবা রেলৱে লাইনগী প্রোজেক্ট মপুং ফানা থবক পায়খৎলি। থৌরাং অসিনা নাগালেন্দগী কোনুং কোহিমাবু রেলৱে নেটৱার্ককী মেপতা চলহল্লগনি।

কিলোমিটর ৭৮.৪২ শাংগদবা রেল প্রোজেক্ট অসিনা অসামগী করবি অংলোং অমসুং নাগালেন্দগী চুমুকেদিমা অমসুং কোহিমা জিলা শমগনি। মসিদা পুন্না তনেল ২০, অচৌবা থোং ২৭ অমসুং অপিকপা থোং ১৪৯ লৈগনি। রেলৱে লাইন অসি লোইদ্রবদি অৱাং নোংপোক লমদমগী কন্নেক্তিভিতিদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

**সিন্ধিয়া ঃ** দোন্নর মন্ত্রি-জ্যোতি অদিত্যা সিন্ধিয়ানা ত্রিপুরাদা লুপা কোতি ২৭০ চংনা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট মঙা শঙ্গাখ্রে অমদি লুপা কোতি

৯৫ চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অহুমগী যাত্রাসু হুনখি।

প্রোজেক্ট অসিনা লন্বী-থোং ফগৎহনবতা নত্তনা মীয়ামদা মৈ ফংহন্দুনা খুঙ্গংগী মনুং হুনজিন্না লৈবা ত্রাইবেলশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা পান্দমদা পায়কৎকদবনি। শ্রী সিন্ধিয়ানা হায়-প্রোজেক্টশিং অসি ত্রিপুরাবু লন্বী থোং অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙস্বা রাজ্য অমা ওইহন্নবা পান্দমদা পায়খৎলকপা থৌরাংনি।

**মিজোরাম ঃ** কেন্দ্রগী স্কিল দিবলপমেন্ট অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ মন্ত্রালয়না শিনদুনা গৌহাতি য়ুনিভরসিতিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়া স্কিলস নোর্থ ইষ্ট রিজনেল কম্পিটিসন ২০২৫-২৬ তা মিজোরামনা সনাগী তকমান ৯, লুপাগী অহুম, শেঞ্জেংগী অহুম অমদি হৈথোই শিংথোইবগীদমক মেদল ৬ ফংলে।

গৌহাতি য়ুনিভরসিতিদা থা অসিগী ১৯ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অসিদা তোঙান তোঙানবা ত্রেদ ২৬ তা চাংদমখি। মদুদা মিজোরামনা ত্রেদ ২০ দা শরুক য়াখি।

**বঙ্গলাদেস ঃ** হান্নগী বঙ্গলাদেসকী প্রধান মন্ত্রি-সৈখ হসিনানা চীফ এদভাইজর-মোহোমদ য়ুনুজনা লুচিংবা মরক্কী সরকারবু কন্না সমালোচানা তৌরক্লি।

মথং থাগী ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা সধারন মীখলগী মাংওইননা অৱামী লিগপু সসপেন্দ তৌখিবা অসি গনতন্ত্রগী চৎন-কাংলোনগী মায়োক্তনি হায়রি। মহাকা হায়-থৌরাং অসিনা ভোটর লাখ কয়ামরুমগী ভোট থাদহন্নিংবগী ৱাখল্লোন অদু শোকহনবগা লোয়ননা মীখলগী থবক থৌরমদা চাউনা অপনবা পীরে। মীখল অসিদা মায়থিরগনি হায়বগী কিবদগী মরক্কী সরকার অসিনা অৱামী লিগ য়াওদনা মীখল পাঙথোকবা থৌরাং তৌরকপনি হায়না মরাল শিরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুর সরকারনা লৈখিদ্রবা ময়াংলম্বা রিসিকান্তগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০ গী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি। এন.আইনা থিজিনবা হৌখ্রে। রিসিকান্তা হাৎখিবগী ভিদিও ব্লোক তৌনবা হায় কোর্টনা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউ, নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবা অমদি থৌরমদুদা রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

রিসিকান্তা মীহাৎ লৈঙাক অমদি সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংনা মথৌ পাঙথোক্তবদগী মিলিটেন্টশিংনা তৌনিংবতা তৌবগী খুদমনি-এক্স এ.দি.জি. হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিসিকান্তা মীহাৎকী ফোং-ফোং শারিঙৈ মীতৈ অমসু কুকিনা ফানবা হোৎনরল্লে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিসিকান্ত হাৎখিবগী ভিদিও ব্লোক তৌনবা খঙহনখ্রে, চপ চাবা ৱায়েল ফংদ্রিবা ফাওবা হকচাং লৌখিরোই হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

রিসিকান্ত হাৎখিবগী ভিদিও ব্লোক তৌনবা খঙহনখ্রে, এন.আই.এনা থিগৎপা হৌখ্রে হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুর পুলিসনা লৌখৎপা কেস এন.আই.এদা শিন্নখ্রে। এন.আই.এগী টিমনা চুরাচান্দপুরদা চৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর মেল অমসুং গানফিয়ু মেলদনা রাজ্য সরকারনা লুপা লাখ ১০ ক্ষেতিপুরোন ওইনা পীরগনি হায়বসিনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

২৮ শুবা লিয়াংমৈ স্পোর্টস মিট-নাগালেন্দগী সমজিয়ুরামদা লোয়শিনখ্রে

হায়বসিনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিপ্যুতি লেবর কম্মিস্নারগী মখাদা লৈবা ওফিসিয়েল খরনা করি করিনো অরানবা খরা তৌরব্রা হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়া লৈঙাকা কুকি খুৎলায় পায়বা থাদোক্তুনা মীতৈ মুত্থৎনবা হোৎনৈ হায়বসি চুমদৌরিব্রা হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউমীশিংগী অনা লায়েংগা মরী লৈননা অমজ্গা এসিয়ান হোস্পিতালগা য়ান্ন চেরোল খুৎয়েক পীনখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্সচুয়েল ভাইওলেন্সকী ভিক্তিমশিংদা মতিক চাবা ৰায়েল ফংহনবীনবা কুকি জো নুপীশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বসিনা গানফিয়ু মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবা অমদি থৌরমদুদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৰাফমশিং মনিপুর মেল, সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু নীংথিনা ফোংবা থেংনরে।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা ইভিক্সন দ্রাইব চত্থখ্রে। দি.সিনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা ফোংবা থেংনরে।

হন্দক চহিদগী প্রাইবেট স্কুলশিংদা এদমিসন তৌবদা দ্রগ ফ্রি এফিদিবিট য়াওহন্নবগী কেম্পেইন হৌরগনি হায়বা পাউ অমা পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মীতৈগী সংস্কৃত্তিনা মনিপুরবু অমত্তা ওইনা পুনশিলহনগদবনি হায়বা পাউ পিপল ক্রোনিকল, পোকফমদা ফোংবা থেংনরে।